ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯑꯣ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯅꯣꯚꯦꯝꯕꯔ ꯳꯰, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯴꯷ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, নবেম্বর ৩০, ২০১৮, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ২৪৭শুবা মশীং

# দাইবেটিস লায়নাগী চাং ৱাংখৎলকপা

## *লৈঙাক্লসু মীয়াম্নসু ৱাখল তামিন্নবা চঙই*

**মালেমদা** হৌজিক টাইপ-২ দাইবেটিস নাবা মীগী মশিং মিলিয়ন ৪০৬ লৈরিবসি কুমজা ২০৩০ দদি মিলিয়ন ৫১১ য়ৌরগনি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি। ঈদা য়াওবা চিনিগী চাং কা হেন্না ৱাংবগী লায়না অসিনা শোকহল্লবা মীওই অয়াম্বা ইন্দিয়া, চাইনা অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকীনি হায়রি। লেন্সেট দাইবেটিস এন্দ এন্দোক্রাইনোলোজি জর্নেলদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমনা হায়, কুমজা ২০৩০ দা দাইবেটিসনা নারবা মীওই মিলিয়ন ৯৮ ইন্দিয়াদা লৈরগনি। চাইনা অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ওইনদি মথং শিৎনা মীওই মিলিয়ন ১৩০ অমসুং মিলিয়ন ৩২ ওইরগনি। ইন্সুলিন কৌবা হিদাক অমা শীজিন্নদুনা ঈদা য়াওবা চিনিগী চাং কন্ট্রোল তৌবা নত্তনা লায়না অসি মপুং ফানা ফহনবা ঙমদ্রি। দাইবেটিস নাবা মীগী মশিং হেনগৎলকপা তারবদি ইন্সুলিনগী মথৌ তাবসু হেনগৎলকপা মশানা তাবনি। থিজিন-হূমজিনবা কাঙবুনা হায়, লাক্কদৌরিবা চহী ১২ গী মতুংদা মালেমগী ওইনা ইন্সুলিন মথৌ তাবগী চাং শরুক ২০ লোম হেনগৎলক্লগনি। হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা মীওইবনা পুন্সি মহিং শেমদোকপগা লোয়ননা চাবা থকপগী মওং হোংদোকপা অমসুং হকচাং লেঙ-ওৎপগী চাং হেনগৎহন্দবা তারবদি দাইবেটিস অমসুং পুন্সি মহিংনা ওইহল্লকপা লায়নাশিংগী চাং কা-হেন্না ৱাংখৎলক্লগনি হায়রি। ৱর্ল্ড হেল্‌থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) না শেল পুথোল্লগা পাঙথোকপা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়, ওইরক্কদৌরিবা ফীভম অসিগা মরী লৈননা ইন্সুলিন মরাং কায়না পুথোকহৌদবা তারবদি চহী ১২ গী মতুংদা দাইবেটিস লায়েংবদা য়াম্না চাউনা খুদোংথিবা মায়োক্নরগনি। য়াম্না শেংনা হায়রবদা হীদাক শুংবা কম্পেনিশিংনা পুথোরকপা ইন্সুলিনগী চাংদগী দাইবেটিস নাবা মীগী চাংনা হেনগৎলকপা য়ানা লৈরে।

টাইপ-১ অমসুং টাইপ-২ দাইবেটিসনা নারবা মীওইশিং লায়েংবদা ইন্সুলিন মথৌ তাই। মতম চানা অমসুং চাং নাইনা ইন্সুলিন শীজিন্নদুনা ঈদা য়াওবা চিনিগী চাং কন্ট্রোল তৌদবা থোক্লবদি অনাবা মীওই কয়া মীৎ তাঙবা, কিদনি ফেল ওইবা, খোঙ-খুৎ ককপা নৎত্রগা ষ্ট্রোক তৌরকপা য়াই হায়না অখঙ-অহৈশিংনা ফোঙদোক্লি। লায়েংদুনা ফহনবা ঙমদে হায়রগসু দাইবেটিসনা নারবা মীওইশিং হীদাক-লাংথক থারগা মতম শাংনা পুন্সিবা ঙম্মী। কুইনা পুন্সিরে হায়রগসু নুমীৎ খুদিংগী ইন্সুলিন শীজিন্নবা অমদি হকচাং শোকচিল্লক্তনবা অতৈ হীদাক-লাংথকশিং চাবা হায়বসি শেল চঙনবগী মশকনি। কনাগুম্বা অমনা পুন্সি চুপ্পা ৱানা হোৎনদুনা তানবা অমদি তুংশিঞ্জবা শেনফম পুন্নমক লায়েংবদা লোইনা চৎখিবা য়াবগী ফীভম লাকপা য়াই। দাইবেটিস ওইহল্লকপগী মরুওইবা মরমশিংগী মনুংদা মৈখু অমদি হীদাক মনাগী পোৎলম শীজিন্নবা হায়বসিসু অমনি। পুন্নমক অসি খঙনা খঙনা মণিপুরদা হৌজিক মৈখু অমদি হীদাক মনাগী পোৎলম শীজিন্নবগী চাং কা হেন্না ৱাংবগী ফীভমদা লৈরি। কুমজা ২০১৬-১৭ ফাওবগী ওইনা ফোঙবা গ্লোবেল এদল্ট টোবেকো সর্ভে (জি এ টি এস) গী রিপোর্ট মতুংইন্না মণিপুরদা নুপা চাদা ৩৫.৯ অমসুং নুপী চাদা ৬ মৈখু শীজিন্নরি। জর্দা অমসুং খৈনিনচিংবা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং শীজিন্নবগী মতাংদনা নুপা চাদা ৫০.২ অমসুং নুপী চাদা ৪৫.২ নি। কুমজা ২০০৯ দগী কুমজা ২০১০ ফাওবা অমসুং কুমজা ২০১৬ তগী কুমজা ২০১৭ ফাওবা জি এ টি এস-১ অমসুং জি এ টি এস-২ হায়দুনা অনীরক সর্ভে তৌখিবদা মৈখু শীজিন্নবগী চাং চাদা ৪.৮ হন্থরক্লবসু হীদাক মনাগী পোৎলমশিং শীজিন্নবগী চাংদি চাদা ৩.২ হেনগৎলকপা থেংনখি। মণিপুরদা মপুং ওইনা হীদাক মনাগী পোৎলম য়াওবা ক্বা চাবা অমসুং মৈখু শীজিন্নবগী চাং ৱাংনা লৈরি। মশাগী চহী ১৫ দগীনা ১৭ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিং মৈখু শীজিন্নবগী চাং হন্থরক্লবসু মপুং ওইনা য়েংবদা জর্দা, খৈনি অমসুং তলবনচিংবা হীদাক মনাগী পোৎলম শীজিন্নবদি হেনগৎলকপগী ফীভমদা লৈরি। মশামক মৈখু শীজিন্নদবা তারবসু ইমুংদা মৈখু শীজিন্নবা মীগী মনাক্তা লৈবনা মীওই চাদা ৭৫.৪ খুদোংথিবা মায়োক্নরি। থবক মফমদসু অদু মঙায়রে, মৈখু শীজিন্নবা মীগী মনাক্তা লৈবনা মীওই চাদা ৪৩.৩ হকচাংদা খুদোংথিবা থোরকপা য়াবগী ফীভমদা লৈরি। মীয়াম তীনবা মফমদা মৈখু শীজিন্নবনসু মপুন্সিগী অমুক্তা মৈখু শীজিন্নরক্ত্রিবা মীওই কয়া হকচাং শোকহনবগী ফীভমদা লাক্লে। মমা-মপা ওইবা কয়ানা মৈখু শীজিন্নবা মতমদা করিসু খঙজদ্রিবা পীক্লিবা মচাশিংদা অসুক্কী মতিক হকচাং শোকহল্লিবনি। ফৎতে খঙলবসু হীদাক মনাগী পোৎলমশিং পুমথিং থিংজিনবা হায়বদুমদি ওইথোক্কনি নীংদে। মরম অদুনা লৈঙাক্লসু মীয়াম্নসু ৱাখল তামিন্নবা চঙই।

## *••• এদিটরদা থারকপা চিঠি •••*

### ফুট পাথতা পোৎ চৈ থমজিনবীগনু

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**মণিপুর** লৈঙাক্লা ইম্ফাল সিটি তরু-তনান্না থম্নবা অকনবা থবক পায়খৎলিঙৈ মরক অসিদা ইম্ফাল ম্যুনিসিপালিটিনা কোনবা এরিয়াদা লম্বীগী নাক-য়েত্তা দুকান ফল্লিবশিংনা ফুট পাথ মথক্তা মখোয় মখোয়গী দুকানগী পোৎলমশিং অদু থমজিন্দুনা থম্বদগী মীয়াম্না চৎথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নহল্লিবা অসি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অকনবা মীৎয়েং চঙবীবা মথৌ তারি। মরুওইনা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন্না ইম্ফাল ম্যুনিসিপালিটিগী এরিয়াদা লৈবা লম্বীশিং তরু-তনান্না থম্নবা হোৎনরগসু ফুট পাথ মথক্তা লন্নাই মীওইশিংনা মশা মশাগী য়েংদুনা নূং, লৈঙোই পৈশিনবা, হোটেল ফমজিনবা, গাড়ী ৱার্কশোপ ওইশিনবা য়াম্না য়াওরি। মসিনা অহল ওইরবশিংনা ফুট পাথ মথক্তা খোঙনা ৱাকিং চৎপা মতমদা চৎফম লৈতদুনা লম্বীদা কুমথরগা চৎপা মতমদা গাড়ীনা থেংলমগদ্রা হায়বগী মীপাইবা চাউনা পোক্নরি। অশোন অনা অমদি অহল ওইবশিংনা লম্বীগী মতাইদা খোঙনা অয়ূক অমদি নুমিদাংৱাইরমগী মতমদা ঙহাক-ঙহাক ৱাকিং চৎপা অদু ফুট পাথ মথক্তা লন্নাই মীওই কয়ানা মীয়ামগী খন্দনা মশাগীনা মাঙ থারগা দুকানগী পোৎ চৈ পুথোক্তুনা থম্বা, যূম কৈশা শানবা নূং, লৈঙোই অমদি অতৈ পোৎলম কয়া পৈশিন্দুনা থমজিল্লিবা অসি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মীৎয়েং চঙবীয়ু।

*অদোমগী - এল বি খুমন, থোংজু*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৪

১। মণিপুরনা নীংতম্লিঙৈদা ঙসি গভর্ণরনা লৈরিবা মফমসি বৃটিশ রেসিদেন্সি ওইরম্মী। মফম অসিদা মতমদুগী পোলিটিকেল এজেন্ট অনীগী মং লৈরি।
(ক) ১৮৭৬তা শিখিবা এজেন্ট অদুগী মমিং হায়য়ু।
(খ) মহাক্কী হেক মথংদা লাক্লম্বা মৈতৈ ময়েক য়োকখৎলম্বা এজেন্ট অদুগী মমিংনা করি কৌই।

২। "নঙসু ইনাই, নপাসু ইপাগী মনাই।" ৱাহৈশিংসি ডা. কমলগী দ্রামা অমদগী লৌথোকপনি। কনাননো হায়রিবসি?

৩। "মণিপুরী ছন্দগী তোপতোপ্পা মশক অমা লৈজে।" পরেং অসিনা 'মণিপুরী কবিতাগী ছন্দ' কৌবা লাইরিক অদুগী ৱাহৌদোক্লি। অইবদু কনানো?

৪। "য়েংঙু, ঐখোয় চৎখিদৌরে মতাগুম হৈনম-লৈনম মালংবনা হুম্লক্লি।" পরেং অসিনা হিজম শান্তিবালানা ইবা দ্রামা অমদগী লৌথোকপনি। দ্রামা অদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। "অতুলনা মখূৎ তপ্পা তপ্পা থাদোল্লগা হায়রকই, য়ূমদা চৎলসি, মখোয় পূন্নমক চৎনখ্রে।" পরেং অসিনা শরৎচন্দ্রগী রঘুমনি শর্ম্মনা হন্দোকপা উপন্যাস অমগী অরোইবা পরেংনি। উপন্যাস অদুগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল
hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি।
পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# লোক্তাক পাৎয়াইদা টুরিজমগীদমক থবক খুদিংমক তৌবা য়াগনি থাজদে

**অওনবা মালেম**

**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**

**য়োংনদি** মালেমসিগী অকোয়বগী ফীভমদা হায়বদি ইনভাইরনমেন্ট শোকচিল্লে হায়দুনা নোংমতা লাউরক্তে। য়োংসি য়াম্না হৈ-শিংই হায়নরিবনি। অমুক্কসু হেন্না হৈ-শিংঙৈ হায়নরিবা তাইবঙ মীওইবমকসু য়োংদগী মথায়-থায়না ওল্লকপনি হায়রি। ঙসি ফাওবা হায়নবনি হৈ-শিংলবা মীওইবা মশানা। চুম্বা-লানবদি খঙদে হায়নবদগী অদুম হায়বনি তাইবঙ মীওইবা ওইবনিনা। য়োংদগী ওল্লকপা মীওইবনা য়াম্না হৈ-শিংনা হায়রে ঙসিদি ইনভাইরনমেন্টকী ফীভমসি য়াম্না শোকচিল্লে। লাউরি মতম মাঙনা, শেল য়াম্না চঙনা মরুওইনা গভর্ণমেন্টনা। অদুবু মীচম-মীয়ামদি কয়া লাউবা য়াওদে শেল শিংবা তনবনরা, মতম মাঙবা তনবনরা খঙদে।

মফম মরাং অমা খঙদ্রে য়োংনা হেন্না শিংবরা নৎত্রগা মীনা হেন্না শিংবরা? য়োংদগী মী ওল্লকই হায়রবনিনা মীদগীদি য়োংনা হল্লে। অশেংবা মপা-মপূ হায়বদু ওইরে। হৈবা-শিংবগী হায়রুরবদি মপাদগী মচানা হেনবসু য়াদবা নত্তে। অদুগা মচাদগী মপানা হেনবা য়াদবসু নত্তে। মুন্না-কূপ্পা হেক য়েংলুরবদি ইনভাইরনমেন্ট থুগাইবগী থবকসিদি য়াম্না হৈ-শিংলে হায়রিবা ইনভাইরনমেন্ট কনগদবনিসু হায়রিবা তাইবঙ মীওইবসিনা তৌবনি। তাইবঙ মীওইবা মশামক্লসু তোয়না অদুমক হায়জবনি। অদুনদি তাইবঙ মীওইবসি মরৈ অনী লোংলবরা? অদুবু য়োংদদি ইনভাইরনমেন্ট থুগাইরে হায়দুনা মরাল শিবমক্তি শিদ্রি হৌজিক ফাওবদি। য়োংগীদি মশাগী ওইবা তাইবঙপাল অমা অদুমক লৈজে। মদু হোংবা লৈতনা অদুমক চৎলি। নাকল অমরোমদা ফৈজেননা চৎপা লৈত্রি। তাইবঙ মীওইবদি কদায়? হোয় অনীসিগী খেন্নবা পুন্সিরোলবুদি পাক চাউনা লৈখ্রে। অমরোমদা মদুনবু মীনা মী অদুগা য়োংনা য়োং হায়রিবনি। য়েংবিয়ু লোক্তাক পাৎতা ইনভাইরনমেন্ট শোকপা থবক অমত্তা তৌবা য়ারোই হায়রক্লিবসি চহী ফনা য়াল্লক্লে। মসিনা তাকপদি ইনভাইরনমেন্টতা অকায়বা থবক খরদি তৌরে হায়বসি ময়েক শেংনা তাক্লে। অকোয়বগী ফীভমদা অকায়বা কয়া তৌরিবসি য়োংনদি ওইরল্লোই। কনানবু তৌরমগনি তাইবঙ মীওইবনা নত্তনা। য়োং অমদি শা, ঙা অমত্তনা লোক্তাক পাৎকী ইনভাইরনমেন্ট থুগাই-য়ৈথাইবগী থবক অমত্তা তৌদ্রি। মীওইবা ঐখোয়না ঐখোয়গী নুংঙাই-য়াইফনবনি, ফনবনি হায়না খনবা থবক ময়াম অমা পায়খৎপদা পাৎ অসিগী অকোয়বগী ফীভমদা অকায়বা কয়া পুরকপনি। হৌজিক্তি মণিপুর গভর্ণমেন্টকী ফোরেষ্ট অমদি ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টরনা লোক্তাক পাৎকী মহৌশা লৈরম্বা ইনভাইরনমেন্টকী ফীভমদা অকায়বা পীবা থবক অমত্তা পায়খৎপা য়ারোই হায়রে। চহী কয়াগী মমাঙদসু মতম-মতমগী লৈঙাকখিবা গভর্ণমেন্টনা ৱাহৈশিং অসি হায়দুনা অদুমক লাক্লি। হায়না-হায়না হৌখিবা চহী কয়াসি ইনভাইরনমেন্ট কায়বা থবক কয়া তৌদুনা লাক্লি। অশেংবা ঈশিং থুমহি চেন্দবা পাৎনি হায়দুনা মমিং চৎলিবা লোক্তাক পাৎসি ফ্রেস ৱাটর হায়বদু হৌজিক ওইরিব্রা হায়বসি হংবা য়াবা ৱাহং অমা ওইরে ঙসিদি। ঈশিংদা থুমহি চেন্দবখক্তনা অশেংবা ফ্রেস ৱাটর ওইবা য়াবদি নত্তে হায়বা য়াই। অদুমকপু ৱাফম অসিদি ইনভাইরনমেন্টকী মরমদা খঙ-হৈরবা এক্সপার্ট মীওইখক্তনা হায়গদবা ৱাফমনি। অদুন্নমক্তি ওইরবদা লোক্তাক পাৎকী ঈশিং অসিদি থুমহি চেন্দে হায়বখক্তনি অদুবু পোলুটেদতি ওইরবা ঈশিংনি। হোয় অমরোমদাা মালেমদা পোলুটেদ ওইদবা ঈশিংদি লৈবা হৌনদে। অদুবু কা হেন্না পোলুটেদ ওইদনবা হোৎনবদুনি ঙসি মালেমগী লৈবাক কয়ানা শেল, মতম চঙনা হোৎনরিবসি।

লোক্তাক পাৎকী ঈশিং অসি থুমহি চেন্দ্রবসু পোলুটেদতি ওইরে। পাৎকী ফুমদি মথক্তা শঙ ময়াম শাজিন্দুনা ইমুং-মনুং ওইনা লৈরে। খন্দুনা য়েংবিয়ু ইমুং-মনুং ওইনা লৈরবা মতমদদি চাবা-থকপা, খোঙহাম-খূৎহাম্বা, ঈরু-মায়থজবা হায়বা অমা লৈরি। লেত্রিন, টোইলেট মশানা ফুমথক্তা থল্লকপা তাবনি। মদুগী মহি-মচুমদু লোক্তাক পাৎকী থুমহি চেন্দবা ঈশিং অদুদা তাশিল্লিবনি। খন্দুনা য়েংবীয়ু অতাওবা ফুমথক্তা লৈরিবা য়ামখ্রবা ইমুংনি। মদুগী মীশিংদুনা লেত্রিন্দা মখোং হাম্বা অমদি মপান থোকপগী থবক অসি নোংমদা কয়ারক তৌরি। মদুগী মহি-মচুম পাৎকী ঈশিংদা ঈতিনখ্রি। মসিদসু নত্তে চাক থোংবা-থাকপগী থাক্তা শীজিন্নরিবা পোৎ- চৈ কয়া অমদি লুখাক-চগুম, অরেম-অপা কয়া অমা পাৎকী ঈশিংদা তিনশিনখিবনি। মদুনা পাৎকী ঈশিংদা তিনখি। পাৎকী ইনভাইরনমেন্টতা অসুক্কী মতিক অকায়বা থোকহল্লি। অসুম্না চহী লিশাং শিৎনা পাৎ অসিদা চথরকপা মতমদা ঙসিদি পাৎকী অকোয়বগী ফীভমদা য়াম্না শোকচিল্লে। অদু ওইরবদি পাৎ অসিগী ফুমথক্তা মী লৈহনবা করি য়াগদৌরিবনো অমদি অকোয়বগী মীওইশিংনসু ফুমথক্তা যূম শাদুনা লৈনবা হোৎনগদৌরিবনো? মসিদসু নত্তে পাৎ অসিগী মপান্দা মীওই কয়ানা লম খোপচিন্দুনা লৈশিল্লি। মসিনসু ইনভাইরনমেন্টতা অকায়বা কয়া পীরি। য়োং অমত্তা, শা অমত্তা, সঙাই অমত্তা খুন্দাশিনগে হায়দুনা লাক্তে। তাইবঙ মীনা লৈবা হায়বসিমক্তবু মশাগী অশেংবা যূম্ফম অমদি লৈতবা য়াদে। লোক্তাক্কী ফুমথক্তা লৈরিবা, পাৎ মপান্দা লৈশিল্লিবশিং অসিগী অশেংবা যূম্ফম হায়বদু লোক্তাক পাৎতা ওইবা য়াব্রা? য়ারগনা লমগী পট্টা পায়রব্রা মখোয়। ঈশিংগী মথক্তবু পট্টা পীবা য়াব্রা? মণিপুর গভর্ণমেন্টকী করম্বা রুল লৈবগে লোক্তাক পাৎকী ঈশিংগী মথক্তা লৈবা অতাওবা ফুমথক্তা মী লৈনবা, ঙা ফানবা মীগী পট্টা পীবগী? করিগুম্বা লৈবা তারবসু মদু মথোং হুক্তবা রুলনি হায়বা য়াই। অদুনা মদুগুম্বা রুল অদু মীওইবা ঐখোয়দা চুনবা ওইদবনা শেমদোক-শেমজিন তৌবা য়াই। য়েংবীয়ু অতাউবা ফুমদা পট্টা পীবা লুগনি মরমদি যূম্ফম/ইখোল অদুগী অপাকপনা ফুট কয়ানো অদুগা অশাংবনা ফুট কয়ানো হায়বদু হায়বা লুগনি। পাকপা-শাংবা য়াওদনা করম্না ইখোলগী পট্টা গভর্ণমেন্টকী রেভিন্যু দিপার্টমেন্টনা পীগনি? মসি য়াম্না লায়নদি উরগা য়াম্না লুবা থবক অমনি।

মসিগী ফীভম অসিদা ফি শানবা ঈয়োংগী যূম অমা লোক্তাক পাৎকী পাৎয়াইদা লৈবা অতাওবা ফুমথক্তা শাদুনা থমগনি হায়রক্লিবসি ইনভাইরনমেন্টকী মীৎয়েংদা চুনবা হায়বসিসু য়েংবা/খন্নবা য়াই। মসিদসু নত্তনা ইকনমিকেল্লি য়েংবা মতমদসু চুনবা ৱাৎলি। ফুমথক্তা ঈয়োংগী ফি শারগা পোৎথোক হেঙ্গৎলক্কদবা নত্তে। পায়খৎকে খল্লিবা থবক অসিগী থল্লিবা পান্দম অদু করিনো হায়বা অমা কূপ্পা খন্নবা অমদি চঙলি। ফিশাকোল থল্লবা হায়বসি মী লৈতবা য়ারোই, লাং অমদি অতৈ মচাক থমদবা য়ারোই। লেত্রিন, টোইলেট থমদবসু য়ারোই। চাবা থকপগী ৱাস রুম থল্লক্তবা য়ারোই। ইলেক্ত্রিক ফংহন্দবসু য়ারোই। করিনো হায়ফম খঙদে পাৎয়াইদা তৌগদৌরিবসি। টুরিষ্টশিংগী পূক্লিং চিংশিন্নবা থবক অমরা? ঈয়োংগী ফি শানবা যূম মচা অমা ফুমথক্তা শারগা হেক্তা টুরিষ্ট ময়াম অমা লোক্তাক পাৎতা থোমজিল্লক্কদবা নত্তে। টুরিজমগী মীৎয়েংদা ঈয়োংগী ফি শাবগী থবকসিনা থোয়না অহোংবা পুরকপা ঙল্লোই। অদুনদি হীরম অয়াম্বদা ফুমথক্তা ঈয়োংগী শঙ অমা শাবা হায়বা থবক অসি তৌদবনা ফগনি খল্লি। চীং, পাৎ, তুরেলদা মীয়ামগী কান্ননবাথবক অমা পায়খৎনবা থবক হৌরকপদা মরী লৈনবগী অয়াবা লৌবা মথৌ অমদি তারি। মদু মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্টকী কৌগদবনি। মিনিষ্ট্রিনা কূপ্প য়েংশিল্লবা মতুংদা থবক অদু চীং, পাৎ, তুরেলদুদা তৌবদা ইনভাইরনমেন্টতা শোক্লোইদবা ওইরবদি অয়াবা পীরক্কনি। করিগুম্বা চীং, পাৎ, তুরেলদুগী অকোয়বগী ফীভমদা ইনভাইরনমেন্টনা অকায়বা পীরক্কদবা লৈরবদি অয়াবা পীরক্লোই। অমরোমদা অমুক তৌগদৌরিবা থবক অদুনা মীয়ামগী, লৈবাক্কী চাওখৎনবগীদমক্তা তঙাইমক ফদনা তৌদবা য়াদ্রবা ওইরবদি লৈবাক মীয়ামগী য়েংলগা অয়াবা পীরক্কনি। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু প্রোটেক্টেদ ওইনা থল্লিবা চীং, পাৎ, তুরেলগী মতাংদদি মিনিষ্ট্রিগী অয়াবা লৌদবা য়াদবা নত্তে। অদুনা ফুমথক্তা ফিশাকোলগী শঙ শাদুনা থমগনি হায়রক্লিবসি মণিপুর গভর্ণমেন্টকী দিপার্টমেন্ট ওফ ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্টকী অয়াবা লৈরবরা নৎত্রগা থবক অসি তৌবা ফৈ হায়বগী থাক অদুদা লৈরিবরা হায়বগী ৱাহং অমা হংলক্তবা নত্তে।

লোক্তাক পাৎয়াইদা নুমিদাং য়ারেকপগী হোম ষ্টে হায়বা অমা তৌরি। মসি পাৎয়াইদা লৈবা ফুমদি মথক্তা মী লৈনবা হোটেল অমা শাদুনা থম্বগুম্বনি। টুরিষ্টশিংগী পূক্লিং চিংশিন্নবনি। লমকোয়বা মী মশীং য়াম্না হেনগৎনবনি। মী লৈরবা হায়বসিদা মসিদগী থোক্লকপা ফত্ত-হৌদি ময়াম অমা ফ্রেস ৱাটর ওইরিবা পাৎ অসিগী ঈশিংদা তিনশিনখি। য়াম্না শাংদোক্লা হায়দ্রবসু ঈশিংদা পোলুটেদ ওইবগী চাংদি য়াম্না হেনগৎহল্লিবনি। শম্না ফ্রেস ৱাটর হায়বদুদি ওইদ্রে। ইনভাইরনমেন্টতা শাথিনা শোকহল্লে। মসিনা মতম শাংনা চথরক্লবদি লোক্তাক পাৎকী ওইবা ফীভমদা শাথিনা ফত্তবা ওইরক্লিংঙাই ওইরি। হোম ষ্টেনা টুরিষ্ট মশীং খরমখৈদি হেনগৎহনবা য়াই। টুরিজম ইন্দষ্ট্রিদা খরমখৈ কান্নহনবদি য়াই। অদুবু হোম ষ্টে অসিনদি ফোরেন টুরিষ্টশিংগী মশীং, দোমেষ্টিক টুরিষ্টশিংগী মশীং খঙহেন হেনগৎহনবদদি য়াম্না মতেং ওইখিরোই হায়নীংই। অমরোমদা হোম ষ্টে ফুমদি মথক্তা তৌরিবসি গভর্ণমেন্টকী অয়াবা লৈরবরা? চীং, পাৎ, তুরেলদা থবক অমা পায়খৎপদা চঙবা ষ্টেটকী ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট দিপার্টমেন্টকী চঙদবা য়াদবা অয়াবদু লৈরবরা হায়বা ৱাহং অমা লাকই। মসিগী মরমদি হোম ষ্টে তৌরিবা মওংসি লন্নাই মীওইশিংনা তৌবা ওইনা উবা ফংই। পূন্নমকসিগী মথক্তা ডোক্তরগী লায়েংশঙ ফুমদি মথক্তা তৌগনি হায়রকপা ময়াম অসি য়েংলুরগদি লোক্তাকসি টুরিজমগী মমিংদা থবক কয়ামুক তৌশিল্লক্কদবগী ফীভম অমা উরে। টুরিজম চাওখৎলগা লোক্তাক পাৎ মাঙশিল্লকপনা ফবরা অদুগা লোক্তাক অদু হিংদুনা লৈবনা ফবরা? পূন্নমকসি মণিপুর গভর্ণমেন্টনা লোইনা ঙাকথোক-ঙাকশিন তৌফম থোকই।◄◄

# নবেম্বর থানা লাকপদা সঙাই ফেষ্টিবেল

**মতম মতমগী ৱাফম**

**সেঞ্জম দেবেন**

**চহী** খুদিংগী নবেম্বর থাগী অরোইবা চয়োলনা য়ৌরকপদা সঙাই ফেষ্টিবেল হৌরকপগা মণিপুরগীমৈতৈ ফুরুপকী থাপালোন্দা নংহৌররোই মতাগুম ৱাকচীং থাগী থামাঙ, পোইনু থাসিনা লুহোং-পন্থাগী থাচৎ অমা ওইবগা, লমদমসিগী মীয়াম পূম্বসি ফেষ্টিবেলগী মুদতরা, লুহোং-পন্থাগী মুদতরা অয়াম্বনা ৱাখলসি ইতাউ-তাউনবগুম তৌই। কুমসি চহীসিগীসুনি নবেম্বর থাগী অরোইবা চয়োলসিমদি ফনা-ফজনা মফম ৩/৪ থোক্লা সঙাই ফেষ্টিবেল য়েংহৌনবা হোৎনবদা অমদি ৱারীদা ওইরবসু তাহৌনবা হোৎনবদা লমদমসিগী মীওই কয়ামরুমসি অসুক্কী মতিক চিন্নরিবনি। মরক থৎনা লুহোংবা ময়াম অমসু হোবে-হোবে য়ৌবু য়ৌহৌরবদি হায়দুনা চেন্নহৌরিবনি। ৱাখল-পূক্লিং লাংতক্লবা থা অমা হায়বদু মণিপুরগীদি তশেংনমক নবেম্বর থা অসি ময়েক শেংনা ওই। সিদসু নত্তে, হকচাংসু ৱাবনা পোপ লাউনা তানরপোৎনি। অদুবু, সঙাই ফেষ্টিবেল য়েংবনিনা অয়াম্বসি ৱাবদি পাকনা ফাওনদবা মাল্লি। সঙাই ফেষ্টিবেল লৈবনা নবেম্বর থাসি তশেংনমক য়াম্না ইম্পোর্টেন্ট ওইবা থা অমা হায়বদু ওইহল্লবনি। মণিপুরগী সঙাই ফেষ্টিবেলগী মরমদা পূক্লিংদা ফাওনবশিং অমগা-অমগা মান্নরমদবা য়াই। কনানা সঙাই ফেষ্টিবেল য়েংলুবদা মখৈ ফংনা নুংঙাইরকই, অদুগা কনা অমনা খজিক খরাক পেল্লক্তনা হল্লকপসু ময়াওনৈ। মহৌশানা মীয়ামগী থবক হায়বসিদি সি ঙাক্তনি। অদুবু, অপেন-পেন্দা কয়ামুক লৈদুনসু ঙসিদি মণিপুরগী সঙাই ফেষ্টিবেল মণিপুর লৈঙাক্কী খ্বাইদগী চাউবা ফেষ্টিবেল অমা হায়বদু চপ চানা ওইরবনি। অতোপ্পা ৱাফম অমনা, ষ্টেটসিদা অসিগুম্বা সঙাই ফেষ্টিবেলসি পাঙথোকপনা করম-করম্বা হীরমশিংদা কদাই য়ৌনা কান্নবশিং পীরবা অমসুং মণিপুর লৈঙাক্লা ঙসি ফাওবদা সঙাই ফেষ্টিবেলগীদমক থাদখ্রিবা অপূনবা শেনফম্না পুন্না লুপা কয়া ওইখ্রবা, কাখৎলকপনা কয়া হায়বদু মণিপুরগী মীয়ামদসু হায়ফেত্ত ওইরবসু মীৎ-নাকোং ওইনবা খঙহনবীবদি ফব্রা হায়বসিসু ফোঙদোক্লিংই।

মণিপুরগী সঙাই ফেষ্টিবেল চহী খুদিংগী চাউবা খরা-খরা হেঙ্গৎনা পাঙথোকপগী চাং হেঙ্গৎলক্লি। ঙসি-ঙসিমক্তা চহী অম'নিগী মমাঙগী থৌদৌগসু খেন্নবা কয়ামরুম উবা ফংলি। সঙাই ফেষ্টিবেল হায়না মিংথোনবা মণিপুর ষ্টেটকী ফেষ্টিবেল অসিগা সঙাই অমসুং সঙাইগী লৈফম ওইরিবা মণিপুরগী কৈবুল লমজাউ লমদমসিগা অনীসি মমাঙগী ফেষ্টিবেলশিংদা থোইদোক্লা নকশিন্নবগী মমি তাবা ৱাৎলম্মী। হীরমসিদা, মণিপুর মীয়ামগী কম্মেন্ট কয়ামরুম অমসু মিদিয়াগী খূত্থাংদা ঙাইহাক লৈতনা পীনরকখিবশিং থেংনখি। অদুবু, হৌখিবা চহী অদুৱাইদগী সঙাই ফেষ্টিবেল হায়না মিংথোল্লিবা মণিপুরগী ফেষ্টিবেলসি সঙাইশিংগী অমত্তা ঙাইরবা লৈফম কৈবুল লমজাউ হায়না খঙনরিবা মফমসিমক্তদা ফেষ্টিবেলসিগী শরুক অমা পাঙথোকপা হৌরকখ্রে। থৌদৌসিমক খ্বাইদগী হেন্না চুম্বা থৌদৌ অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। থৌদৌসিদগী মীয়াম্না মণিপুরগী সঙাই ফেষ্টিবেলগা সঙাইগী লৈফম ওইরিবা কৈবুল লমজাউ লমদমগা অনীসি চপ চানা নকশিন্নরকপগুম অমসুং মরী লৈনরকপগুম উনরিবনি। ফেষ্টিবেলসিগী হন্দক্কী খ্বাইদগী নুংঙাইরিবা পাউদমসু মসিমক্লি। অদুগা সঙাই ফেষ্টিবেলগা মরী লৈনবা অতোপ্পা ৱাফম অমনা, সঙাই ফেষ্টিবেল য়েংবা লাকপা মীরমদমগী লমকোয়মীশিংদা য়াম্না ভেল্যু লৈনা সঙাই খরদংদা ওইরসু শোয়দনা মশক উহনখিনবা থৌরাং লৈহন্নীংই। থৌরাংসি লৈপাক্কী অফবা থৌরাং অমা শোয়দনা ওইগনি। থৌদৌসিমক মণিপুর লৈঙাক্লা থোইদোক-হেন্দোকপা এরেঞ্জমেন্টশিং পায়খৎকনি হায়বগী থাজবসু মীয়াম্না তানখিবা লৈখ্রবনি। তশেংনমক, কৈবুল লমজাউদা সঙাই য়েংবা চৎনরুবশিং উবা ফংলক্তবনা অয়াম্বা হেক-হেক ওইনৈ। মসিগী অহানবা মরম - সঙাই হায়বা শা মখলসি তাইবঙ মীনিল তাবদা অসুক্কী মতিক কিগনবা অমসুং লমলক্তা মদোম চিক্লা, কনামতগী য়ৈখাই-থিনগাই য়াওদনা হিংজবা পাম্বা শা মখল অমনি। অনীশুবদনা - হৌজিক হৌজিকমক, মণিপুরগী সঙাইনা লৈরিবা মফম কৈবুল লমজাউ হায়রিবা লমদমসি তশেংনমক অচৌবা এরিয়া অমা ওইরম্বসিননি। ফেষ্টিবেল মনুংগী ৱা নত্তনা মমাঙদা, মহাদা ময়াম অমা চৎনরুবশিংসু অয়াম্বনা সঙাই পাক উবা ফংনরক্তে। হন্দক্কী সঙাই ফেষ্টিবেল মনুংদা কৈবুল লমজাউদা ফেষ্টিবেল য়াওবা চৎলিবা কাঙবুশিংসু সঙাই উবা ফংলমগনি হায়ববু থাজদে। ফেষ্টিবেলসিগী মাঙওইননা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পাউচেশিং খরদদি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী সঙাই উবা ফংহন্নবা থৌরাংশিংগী মরমদা ৱাফম খরা পন্নখিবা লৈখিবনি। অদুবু মদুসু, হৌজিক-হৌজিকমক পাঙথোকপা ঙল্লমগনি থাজদে। কৈবুল লমজাউদা মীচম-মীয়াম্না সঙাই য়েংলুবগী ৱারীসু মসি ঙাক্তনি। তশেংনা মফম মরাং খঙলক্তনা হল্লক্লবনা অয়াম্বনি। মসিসু অমরোমদদি অফবা অমনি'দি হায়নীংই। মণিপুরগী সঙাই তশেংনা অতাঙবা মখলগী শা মখল অমা ওইবনা, মীয়াম্না তশেংনা উনীংবা মতমদা হেক্তা উবা ফংদবগী নুংনাংবদু পোক্লিবনি। অদুবু, মসিমক ওইদুনসু মথক্তা পঞ্জখিবগুম সঙাই ফেষ্টিবেলগা মরী লৈননা কৈবুল লমজাউদা সঙাইগী অশেংবা শক্তমশিং খরদংদা ওইরবসু উবা ফংহন্নবগী ফীভম খরদি ঐখোয় য়াৎপা তাবনি। থৌদৌসি মতমগী মতুংইন্না থোইদোক্লা লুবা থৌরাং অমা ওইরক্তবসু য়াই। থৌরাংদুগীদমক ঐখোয় ৱাখল থাদমিন্নসি।

সঙাই ফেষ্টিবেল পাঙথোকপনা মণিপুরগী মীংচৎ হেঙ্গৎহল্লকই হায়বা ৱাফমসিমদি তশেংনমক চুল্লগনি। মণিপুর লৈঙাক্লা মণিপুরদা সঙাই ফেষ্টিবেল পাঙথোক্লিবগী অমত্তা ঙাইরবা পান্দমদি মণিপুরদা মপান লৈবাকশিংদগী লমকোয়মী মতিক চানা লাকহন্দুনা মণিপুরবু চপ চাবা লমকোয়ফম লম (টুরিষ্ট লেন্দ) অমা ওইহনবনি। পান্দমসিগী মখাদা মণিপুর লৈঙাক্লা সঙাই ফেষ্টিবেল পাঙথোক্লিবনি। অদুবু, পাঙথোক্লিবা ফেষ্টিবেলসিগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোকশিং মশক খঙদবা লমদমসিগী মীচম-মীওই কয়ামুক্কী ৱাখলদদি, মণিপুরগী অসিগুম্বা ফেষ্টিবেলসি অরেম্বদা লৈঙাক্কী শেল কয়ামরুম মাঙহন্নবা চুম্না পাঙথোকপা ফেষ্টিবেল অমগুম লৌনরি। মণিপুর লৈঙাক্লো শেনয়াম কয়া তিংনা হৌদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা সঙাই ফেষ্টিবেল অসি চুম্নগী ইচম-চম্বা ইন্টরটেন্টমেন্ট অমখক নত্তে, মসিগী মরুমদা অনৌবা পুন্সি মহিং কয়াগী চাউরবা ৱাহন্থোকশিং লোত্তুনা থল্লি হায়বসি মীচম-মীওই কয়ামুক্লা খঙবা ঙম্নদ্রি। হৌজিক হংবা হৌনরক্কদৌরবা ৱাহং কয়ামুক লৈরি। ৱাহংশিংদুগী মনুংদা, "সঙাই ফেষ্টিবেল পাঙথোল্লকপদগী মণিপুরদা মীরৈবাক্কী লমকোয়মীশিং মতিক চানা লম কোয়বা লাকহনবা ঙম্লব্রা" অমদি অমাঙ-অতোঙশিং পাথোক-পাশিনগী লম্দা চপ চানা হৈ-শিংলবা লৈপাকসিগী মীচম মীয়াম কয়ামুক্লসু, "মীরমদগী লমকোয়মী লাকহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকখিবা সঙাই ফেষ্টিবেলশিংদা থাদখিবা মণিপুর লৈঙাক্কী শেনয়ামশিংদুগী চান্নবা শেন্দোংশিং, মণিপুরদা লমকোয়মীশিং চঙলকহন্দুনা চপ-চানা তানবা ঙমগদৌরিব্রা" হায়বনচিংবা ৱাহংশিংসিনি। পূন্নমকসিগী পাউখুম, সঙাই ফেষ্টিবেল শিল্লুবা মণিপুর লৈঙাক মথন্তনা পীবা তারিব্রা? অদুবু, ফনমক ওইদুনসু লৈঙাক্কী পান্দমসিসু থম্বা য়াবা পান্দম অমদি ওই। মণিপুরদা মসিমক তৌদনা করম্বা পান্দম অমা অমুক থল্লুগদগে? পান্দমসি মতম কয়াগী মমাঙদগী হৌনা মণিপুরগী অখঙ-অহৈশিং কয়ামরুম্না পাউতাক ওইনা পীদুনতা লাকখিবনি। থৌদৌসিগীদমক ফোঙদোক্লখিবা অখঙ-অহৈশিংগী মত কয়ামরুমদু মণিপুর লৈঙাক্লা লৌশিল্লগা থবক ওইনা পায়খৎপনি। থৌদৌসি তৌফম থোকপা অমনি হায়বসিদি চুমগনি। মাঙবা-তোংবা হায়বদুনা অমা ওইখ্রবসু মণিপুরদা পান্দম নাইনা থমদুনা পায়খৎপা য়াবা থৌরাংশিংগী মনুংদা ফেষ্টিবেলসিদা অথোয়বসু ওইরি। নেচরনা পীবিরম্বা মণিপুরগী চীং, পাৎ, তুরেল পূন্নমকসিগী মওংশিং য়েংলগা মণিপুরদা পায়খৎপা য়াবা থৌরাংশিংগী মনুংদা মণিপুরসি টুরিষ্ট লেন্দ অমা ওইহন্নবা শেমগৎপা হায়বসিনা অমত্তা ঙাইরবা পান্দম ওই। হৌজিক্তি লৈঙাক্কী পান্দমসি ময়েক শেংনা খঙলবনিনা ফীভমসিদা মণিপুরগী মীয়াম পূন্নমক্লসু থম্মোয় শেংনা পান্দমসি ফংবা ঙম্নবা হোৎনবদা অঙম্বা মতেংশিং পাংফম থোকই। তৌবতবু থৌরাংসি আর টি আই থারুবা মতমদা থাদখিবা শেনফমশিংগী রেকোর্দশিংতমক লৈরম্বা থেংনৈ, কারকপা শেনফমশিংগীদি রেকোর্দ তৌশিল্লম্বা থেংনদে হায়বনচিংবা থৌদৌশিংদি খক থোকহঞ্জনীংদে। থোক্তনবগীদমকসু মণিপুর লৈঙাক্লা শীলহন্নীংই। থৌদৌসি লৈপাক্কীদমক খল্লগা, মনুং-মপান অনীমক ফাওনা উবা, তশেংনা ত্রান্সপরেন্ট ওইবা থৌদৌ অমা হায়বদুদি ওইহন্নীংই।

অরোইবদা হায়নীংলিবসি, মণিপুর ষ্টেটনা সঙাই ফেষ্টিবেল পাঙথোকপনা ষ্টেট অসিগা অতোপ্পা ফোরেন কন্ত্রিশিং কয়ামুক্তা তুং কোয়নগী ওইবা অফবা মরীশিং লৈহনবা ঙম্লগনি অমসুং ফেষ্টিবেলসিনা নমদুনা মণিপুরসি টুরিষ্টশিংতনা পীক থল্লবা ষ্টেট অমা হায়বদু নোংমা নৎত্রগা নোংমদি শোয়দনা ওইহল্লগনি। ফেষ্টিবেল অসিগী খূত্থাংদা চহী খুদিংগী ম্যান্মারদা লৈখ্রবা মৈতৈ ইচিন-ইনাওশিং কয়ামরুমসু ঐখোয়না পূন্না উনমিন্নদুনা ঐখোয় মশেল হরাউ-তয়াম্না নুমিৎ খরনিদা ওইরবসু মণিপুরদা লৈমিন্নবা ফংলি। সঙাই ফেষ্টিবেল ওফ মণিপুর হায়বা মিংথোনসিনা মালেমগী মনুংদা অতোপ্পা মফমদা ফংদবা সঙাইগী লৈফম ওইরিবা মণিপুরবুসু শক্তাকপদা নত্তনা, মালেমগী মীয়াম পূম্বনা সঙাইবু য়েংনীংবা অমসুং সঙাইগী ৱারী-ৱাখোঙশিং খঙনীং-তানীংবনা মণিপুর য়ৌনা লাক্লিংবগী অকনবা ইহুল অমসু পোকহল্লি।◄◄